

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস





সাউথ অফ্রিকাগী মায়োক্তা ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিমনা শান্নখিবা অরোইবা টি-২০গী মেটচতা রন ৬০ লৌদুনা মায় পাকপগী অচৌবা থৌদাং লৌখিবী অদুগা আই সী সীগী টি-২০ রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান ওইখ্রবী সেফালি বর্মা

নুপাগী টেন্নিসতা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা অদুগা মহাক্কী য়েৎ থংবা খূউ শোকপদগী ওপরেসন চথ্নবা মতুং টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা অকনবা মওংদা শেম শাগনি হায়না ফোঙদোকখিবা অর্জেন্টিনাগী দেল পোট্রো

## অহানবা ৱান দে মেটচতা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু রন ৬৬তা মায়থীবা পীদুনা সেরিজ মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে



পুনে, মার্চ ২৩(এজেন্সী):

মহারাষ্ট্রগী পুনে সিটিদা লৈবা মহারাষ্ট্র ক্রিকেট এসোসিএসন ষ্টেদিয়মদা ঙসি ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা শান্নখিবা ৱান দে সেরিজকী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ানা য়াম্না ফজবা মওংদা রন ৬৬তা ইংলেন্দবু মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৫০গী মনুংদা বেটসমেন ৫ আউট ওইরগা রন ৩১৭ লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী ওপনর সিখর ধৱন অমদি রোহিট শর্ম্মানা ইন্নিংস হৌদোকখি। মখোয় অনীগী পার্টনরশিপ অদুদা রন ৬৪ হাপচিনখি। রোহিট রন ২৮দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা ভিরাট কোহলি অমসুং ধৱননা রন ১৬৯ ফাওবা য়ৌহল্লকখি।

ভিরাট কোহলি রন ৫৬ লৌরল্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা স্রিয়াস আয়র শুপ্নগী রন ৬তা আউট ওইখ্রবা মতুং কে এল রাহুল চঙলকখি। মহাক্কা ধৱনগনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু ১৯৭ য়ৌহনখি। ধৱন রন ৯৮দা আউট ওইখি। ক্রুনল পান্দিয়া অমসুং কে এল রাহুলনা আউট ওইদনা মথংশিংনা রন ৫৮ অমসুং ৬২ লৌদুনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু ৩১৭ য়ৌহনখি।

ইংলেন্দনা মায় পাক্নবা রন ৩১৮ য়ৌনবা হোৎনবদা টিম অদুগী বেটসমেন ১০মক ৪৩শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ২৫১দা ইন্নিংস লোইশিনখিবদগী ইন্দিয়ানা মেটচ অদু রন ৬৬ তা থোইখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ওপনর জোনি বার্ষ্টোনা য়াম্না ফজনা বোল ৬৬তা রন ৯৪ লৌবা ঙমখি। অতোপ্পা ওপনর জেসন রোইনা রন ৪৬ লৌখিবা অদু নৎতনা অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তা রন ৩০ লাপ্হোকপা ঙমখিদে। মোইন অলিনা রন ৩০ লৌখিবা অদুনা অতোপ্পা টিম অদুগী মায়কৈদগী শীংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নৌনা টিমদা শরুক য়াখিবা বোলর প্রসিদ কৃষ্ণনা ইংলেন্দগী বেটসমেন ৪ আউট তাহল্লগা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি। অতোপ্পা বোলর সর্দুল থাকুরনা ইংলেন্দগী বেটসমেন ৩ আউট তাহনখি। লোয়ননা ভুবনেশ্বর কুমারনা বেটসমেন ২ আউট তাহনখিবগা লোয়ননা ক্রুনল পান্দিয়ানা ইংলেন্দগী বেটসমেন ১ আউট তাহল্লগা ঙসিগী মেটচ অদু থোইবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

## দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপী অমসুং ৱাই দল্লিয়ু য়ু ককচীংনা মখোয়-মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

ককচীং, মার্চ ২৩(ঐচ এন এস):

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা চথরকপা ১৮শুবা কে কে মেমোরিয়ল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপী অমসুং ৱাই দল্লিয়ু য়ু ককচীংনা মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিং অদুবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা মেটচতা ৱাই দল্লিয়ু য়ু ককচীং অমসুং পি ৱাই এস সী ফুনাল লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অহানবা হাফক্কী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা অকনবা লম্বা তৌনদুনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৩শুবা মিনটতা ৱাই দল্লিয়ু য়ু ককচীংগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৬ দেনিশনা পাঞ্জল অমা চনদুনা পি এস ৱাই সী ফুনালবু ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচ অদুগী মখা চথুরকপা পি এস ৱাই সীগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ফংননবা হোৎনখিবশিং অদু ৱাই দল্লিয়ু য়ু ককচীংগী শান্নরোয়শিংনা তাঙ্কক খূদিংমক্তা নীংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নবা ঙমখিবদগী মখোয়না চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকহন্দনা ১-০দা মায় পাকপা ঙমখি।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা ১০শুবা মেটচতা দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপী অমসুং য়ু সী সী ককচীং লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী হৌরকপদা দি ৱাই এ ককচীংগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নবা ঙমদুনা য়ু সী সী ককচীংগী মায়কৈদা পাঞ্জল ঙন্না চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ১৬ দল্লিয়ু শামচন্দ্রনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং টিম অদুমক্কী অতোপ্পা শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৭ এস বোরিশনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা য়ু সী সী ককচীংবু মখোয়না পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা য়ু সী সী ককচীংগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পাঞ্জল হন্দোক্কবা শান্নরকখিবা অদু মখোয়গী ষ্ট্রাইকরশিং অদুনা দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপীগী গোলকিপর অদুবু মায়থীবা পীদুনা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা দি ৱাই এগী এস বোরিশনা পাঞ্জল ১গা হাপচিল্লগা ৩-০দা মায় পাকখি।

## ‘চাংচৎতা চহী ২৪গী ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমনা খোঙ থাংজিল্লি’



ন্যু দেল্লী, মার্চ ২৩(এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিনিয়র ফুটবোল টিম অসিদা চাংচৎতা চহী ২৪গী ওইদুনা মমাংদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল পুৱারীদা অমুক্তা ফাওবা থেংনদ্রিবা মওংদা ফুটবোল টিম অসিনা খোঙ থাংজিল্লি হায়না টিম অসিগী হেদ কোচ ওইরিবা ক্রোএসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমেকনা অপেনবা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসতা ওমান অমদি লৈবাক অদুমক্কা শান্নগদবা ফ্রেন্দলি মেটচশিং অদুগীদমক্তা দুবাইদা শেম শাবগী কেম্প চথুরিবা অসিদা ইন্দিয়াগী টিম অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা শান্নরোয় ১২দি চহী ২৫গী মখা ঙাক্তনি। মখোয়গী মনুংদা অনী অমদি চহী ১৯ ফাওবা শুদ্রিবা শান্নরোয়নি হায়না ষ্টিমেকনা ফোঙদোক্লদুনা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অসিনা সিনিয়র টিমদা শরুক য়াননবগীদমক্তা খনগৎলকপা অসি য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা ফুটবোলগী ওইনা লৈবাক অমগী টিম অদু মালেমগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা অতেনবা মতমদা য়ারোইদবা অমদি মতম শাংনা চঙবা লম্বেল অমনি। অদুবু হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী নেসনল ফুটবোল টিমদা খনগৎলিবা শান্নরোয়শিং অসি লাক্কদৌরিবা চহী ৪দা মখোয়গী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরবদি অফবা ফীভমদা লাকপা ঙমগনি হায়না মখা তাখি। হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা টিম অসিগী শান্নরোয়শিংগী মনুংদা য়ামদ্রবদা নহা ওইরিবা শান্নরোয় ৬/৭তি অকি-অখং লৈতনা বোল তান্নবা ঙম্বা অমদি বোল পাস তৌবা ঙম্বগী হৈথোই-শিংথোইবা অদু য়াওরি হায়রি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী য়ুঠ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদগী কেম্প অসিদা পূন্না শান্নরোয় ১১ য়াওরি। প্রোজেক্টশিং অসিনা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং পুথোকপা ঙম্বগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অসি য়াম্না থগৎনিংঙাইনি হায়খি।

হন্দক লোইশিনখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিং অসিগী মায়কৈদগী কদায় ফাওবা মখোয়গী পাঙ্গল উখোক্তুনা শান্নবা ঙম্বগে হায়বদু মীয়াম পূম্নমক্না খঙলবা ৱাফমনি। মখোয়না ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নবা ঙম্বা অদু অমুক হন্না মীয়ামদা উৎপা ঙম্বগী তাঞ্জা য়ৌরে হায়খি।

## অংগদ বজৱা অমসুং গানেমট সেখোননা আই এস এস এফ শুটিং ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী ৭শুবা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২৩(এজেন্সী):

ন্যু দেল্লীগী টুগলাবাদতা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জদা চথুরিবা আই এস এস এফ শুটিং ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী অংগদ বির সিংহ বজৱা অমসুং গানেমট সেখোননা স্কিট মিক্স টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌদুনা ৱর্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়াগী অপূনবা গোল্ড মেদল ৭শুবা অদু ফংবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা ফাইনেলদা কাজখষ্টানগী প্যের ওলগা পানারিনা অমসুং অলেকজেন্দর য়েসেনকোবু পোইন্ট ৩৩-২৯দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। নীংশিংবা য়াই, ঙসি গোল্ড মেদল ফংখিবা ইন্দিয়াগী টিম অদুদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী শুটর গানেমট সেখোননা ৱর্ল্ড কপ অসিদা মহাক্কী ওইনা অহুমশুবা মেদল ওইখি।

নুপীগী ইন্দিভিজ্যুএল স্কিট ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। অদুগা নুপীগী স্কিট টিম ইভেন্টতা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবনি। ঙসি পাঙথোকখিবা স্কিট মিক্স টিম অদুগী লম্বাদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা প্যের পরিনাজ ধালিৱল অমসুং মৈরাজ অহমদ খানদা ব্রোঞ্জ মেদলগী লম্বা তৌনবদা কটারগী টিম ওইরিবা রসিদ অহমদ অমসুং রিম অল সর্সানিগী মখূৎতা শুপ্নগী পোইন্ট অমখক শোথুরগা ৩১-৩২দা মায়থীহৌদুনা মেদল ফংবা ঙমহৌদবনি।



নীংশিংবা য়াই, আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ শুটিং অসিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পূন্না মেদল ৫ ফংবা ঙমখি। মনু ভাকর অমসুং সৌরভ চৌধরিনা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল মিক্স টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংখি। মদুগী মাংওইননা মিটর ১০গী এয়র রাইফল মিক্স টিম কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী ইলাভেনিল ভালারিবন অমসুং দিভিয়ান্সশিং পনৱরসু গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

## বি সী সী আইগী নেসনল ক্রিকেট একাদেমিনা কোচিং কোর্স অনী পাঙথোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২৩(এজেন্সী):

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)গী মখাদা লৈবা নেসনল ক্রিকেট একাদেমিনা ইন্টরনেসনল অমসুং ফর্ষ্ট ক্লাস ক্রিকেটরশিংগী ওইবা মেটচ ৭৫ হেন্না শান্নবা ঙমখ্রবা শান্নরোয়শিংগী অহানবা ওইনা ফর্ষ্ট ট্রেক্ট লেভেলগী কোর্স অনী পাঙথোকখ্রে।

কোর্সশিং অসি হাইব্রিদ মোদেলদা পাঙথোকপনি। মসিনা হৌজিক-হৌজিক লৈবাক অসিদা মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি য়েংলগা তাঙ্কক নাইনা পাঙথোকপনি। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা নুমীৎ ৪নি চুপ্পা ওনলাইনদা কোর্সশিং অদু পীবনি। অদুগা অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা বেঙ্গলুরুদা লৈরিবা নেসনল ক্রিকেট একাদেমিদা নুমীৎ ৪নি চুপ্পা মখা তানা পাঙথোকপনি।

কোর্সশিং অদুদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা রিসিকেশ কানিটকর, অভিনাব মুকুন্দ, রোমেশ পাৱর, ৱাশেম জাফর, সরন্দিপ সিংহ, দেবাসিশ মোহন্টি, বিনে কুমার, লক্ষমী পাথি বালাজি অমসুং রোবিন উথাপানচিংবা শান্নরোয় কয়া য়াওখি।

কোর্সশিং অদুদা য়াওখিবা টোপিকশিংগী মনুংদা বোল য়াঙনা লংবা, স্পিন লংবা, বেটিং তৌবা, ৱিকেট কিপ্পিং, সোসল অমসুং পর্সনেল কম্পিটেন্স হেনগৎহনবা, লোয়ননা ভিদিও এনালাইসিসনচিংবা চেপ্টর কয়া য়াওখি। বি সী সী আইগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সৌরভ গঙ্গুলিনা কোর্স অদুবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা শরুক য়াখিবশিং অদুনা মখা তানা লাক্কদবা কোচশিং অদুবু লমজিং-লমতাকপা ঙম্বগী অচৌবা কান্নবা অমা ফংলগনি হায়খি।

## মার্চ ২৭তগী ৯শুবা কংলৈপাক চৈবী য়েন্দম্নবা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩(ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৭তগী হৌরগা এপ্রিল ১ ফাওবা ৯শুবা কংলৈপাক চৈবী য়েন্দম্নবা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)না শীন লাংদুনা লাক্লিবা খ্বাইদগী চাওবা কংলৈ শান্ন-কুম্মৈগী শরুক অমা ওইনা য়েলহৌ মশান্না অমা ওইরিবা ‘চৈবী য়েন্দম্নবা’গী কম্পিটিসন অসি ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসনগা কে এস এগা খূৎশম্নদুনা ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা পৌরাবীগী জেম পব্লিক স্কুলগী শান্নপুংদা কেটগোরি ৫দা অথোই-অহেন তান্নগনি হায়রি।

ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসনগী চেরোল অদুনা মখা তারদুনা ৯লকশুবা কংলৈপাক চৈবী য়েন্দম্নবা অসিদা শরুক য়ানিংবা ক্লব/এসোসিএসন/ লুপশিংনা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতগী অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়রি। হায়রিবা য়েন্দম্নবা অসিদা মিনি বোইজ/গর্লস অমসুং সব-জুনিয়রগী থাক্তা পাঙথোক্কনি হায়রি।

## পঞ্জাবকী লুধিয়ানাদা পাঙথোকপা নেসনল বোদি বিল্ডিং অমদি ৱিমেন্স স্পোর্টস মেদেল ফিজিকতা মায় পাক্লকখ্রবশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩(ঐচ এন এস):

থা অসিগী ২০ অমসুং ২১দা পঞ্জাবকী লুধিয়ানা সিটিদা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মেন্স জুনিয়র/মাষ্টর্স/দিভিয়াং বোদি বিল্ডিং অমসুং অনীশুবা জুনিয়র ৱিমেন্স স্পোর্টস মোদেল ফিজিক/লেদিজ ৱিমেন্স স্পোর্টস মোদেল ফিজিক নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী বোদি বিল্ডিং টিম ঙসি ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসননা ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলবদা তরাম্না ওকখ্রে।



লুধিয়ানাগী নেসনল চেম্পিয়নশিপ অদুদা পূন্না তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ২৭তগী শান্নরোয় ২৫৫না শরুক য়াখি। মণিপুরগী টিম অদুগী মায়কৈদগী জুনিয়রগী কাঙলূপ্তা শরুক য়াখিবা চিঙ্খৈঙানবা অথোকপমদা কিলোগ্রাম ৭০গী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংদুনা মণিপুরগী টিম অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা বোদি বিল্ডর ওইখি। জুনিয়র বোদি বিল্ডিংগী কেজি ৫৫গীদা হিজম তেলহৈবনা সিলভর ফংখি। কেজি ৬০গীদনা লাইশ্রম রোশনসু সিলভর ফংলগা কেজি ৬৫গীদা এম দি শাহবাজ শাহ অমসুং কেজি ৭৫ মথক্কীদা পেবম মেধাজিৎসু সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী জুনিয়র বোদি বিল্ডিংগী কেজি ৭৫দা খুৎহৈবম অসাদ খাননা মরিশুবা পোজিসন তাখি। জুনিয়র ৱিমেন্স স্পোর্টস মোদেলদা জেনিকা নাওরেমনা ব্রোঞ্জ অদুগা লুংচানৱোননা ৫শুবা পোজিসন ফংলকখি।


SMART TUTORIAL CENTRE

Singjamei Super Market

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE 2021-2022

CLASS X & XII (Science, Arts, Commerce)
BOSEM, COHSEM & CBSE

GENERAL FOUNDATION COURSE
SSC, Bank PO, NDA, CDS, SBI, IBP
OTHER COMPETITIVE EXAM
NEET, IIT JEE

SUB : ALL DURATION : 5 & 6 Months

AVAI. : VAN & HOSTEL (MORNING & EVENING)


STARTS ON 9 APRIL & 21 APRIL 2021

MEGA TEST 2021

| CLASS | X (9-12 A.M.) | XII (1-4 P.M.) |
| --- | --- | --- |
| 07/4/21 | English | English |
| 10/4/21 | MIL | Phy/Hist |
| 12/4/21 | S.S | MIL |
| 15/4/21 | Maths | Chem./Sociology |
| 19/4/21 | Science | Bio./Geo. |
| 21/4/21 | Optional | Maths/Pol. Sc. |

HL-P/8727/31/1-9/4


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 61**

**Byvshev, Vasily Mikhailovich - Goldberg, Grigory Abramovich**

**URS-ch sf Leningrad, 1956**

1.e4 c6 2.d4 d5 3.Nc3 dxe4 4.Nxe4 Bf5 5.Ng3 Bg6 6.Bc4 Nd7 7.Qe2 Qc7 8.h4 h6 9.Nh3 Nb6 10.Bb3 e6 11.O-O Bd6 12.h5 Bh7 13.c4 Nf6 14.c5 Bxg3 15.fxg3 Nbd5 16.Nf4 Be4 17.Nxd5 exd5 18.Bf4 Qd7 19.Bd6 O-O-O 20.Bd1 Rde8 21.Qd2 Re6 22.Bf4 Qd8 23.b4 Ne8 24.a4 g5 25.hxg6 Rxg6 26.Bh5 Rg7 27.b5 Rhg8 28.bxc6 bxc6 29.Rf2 f5 30.Be2 h5 31.Be5 Rg5 32.Ra3 h4 33.Rb3 Nc7 34.Qb2 Kd7 35.Bxc7 Qxc7 36.Rb7 Rxg3 37.Rxc7+ Kxc7 38.Ba6 Rb8 39.Qd2 Rb1+ 40.Kh2...

**QUESTION :**

**Black wins in 2 moves**

**Puzzle 60 Ans. :**

**28.**Kh2 Qxh4+ **29.**gxh4 Rf4Mating net **30.**Qf1 Rxh4+ **31.**Qh3 Rxh3#